**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-04-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা অমসুং নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী গামনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফাইলেং খুল এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম-এস.এল.আর. অনি, নাইন এম.এম. করবাইন মেছিনগন অমা, লোকেল মেট নোংমৈ অমা, এস.এল.আরগী মেগজিন অনি, নাইন এম.এম. করবাইন মেছিনগনগী মেগজিন অমা ফাগৎলে।

থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক সিংগা এরিয়াদগীনা মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জিগী মেগজিন অনি, ইনসাস রাইফলগী মেগজিন অনি অমসুং পোইন্ট থ্রি টুগী নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা চিন কুকি মিজো আর্মিগী মীওই অহুম ফারে। মখোয় অহুম্মক ম্যান্মারগী ফাইসাটতগী ঙমখৈ লান্না চুরাচান্দপুর জিলাগী ভেহিয়াং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফমশিংদা আইননা য়াদবা দ্রগশিং লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। ফারবা মীওই অহুম অসিদগী এ.কে. ফোরটিসভেন, কন্ত্রিমেট নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল সোর্ট রাইফল অমা, এ.কে. ফোরটিসভেন রাইফলগী মেগজিন অনি, নাইন এম.এম.পিষ্টোলগী মেগজিন অমা, রেদিও সেট অমা, কেনবো বাইক অনি অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী বালভেংদগী দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনিসু পুলিসনা ফারে। মখোয়দগী ব্রাউন্দ সুগরনি হায়না চিংনবা সাপোন কেপ ৩৩১ ফাগৎলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাসিফাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী নুপী কেদর অমসু রাজ্য পুলিসনা ফারে। মহাক থৌবাল এরিয়াদা লৈবা দুকান্দারশিং অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

**ইংবা (এল)ঃ** মনিপুরদা নহান অখাক অরাও অমদি নুংশিৎ য়াওনা নোং চুখ্রবা মতুংদা শাবগী চাং হন্থরক্কুনা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা খরা খরা ইংলে।

মদুগী মমাংদা, মনিপুরদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৩ গী মথক্তা লৈরম্বনি। অদুবু, হৌজিক্তি সেলসিয়স দিগ্রী ২৮ গী মখাদা লৈখ্রে। রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা থাদোরকপা অইং আশাগী চেরোলদা হায়-নোনে, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ককচিংদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ২৭ তা লৈখি। ইম্ফাল ৱেষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রী ২৬, বিষ্ণুপুরদা ২৫ অমসুং সেনাপতিদা সেলসিয়স দিগ্রী ২৩ দা লৈরে। উখ্রুলদদি সেলসিয়স দিগ্রী ১৯ দা লৈরে।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেলদা জিলাদা লৈবা সেন্ট জোসেপ হায়স্কুলগী ২৭ শুবা এন্যুয়েল স্পোর্টস মিট ঙরাং হৌদোকখ্রে।

জিলা অসিদা লৈবা লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এল. নন্দাকুমার সিংহ, লিৱা সরৈ ভিলেজকী চীফ-টি.ঐচ. পরনোং মোনশাং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এল. নন্দাকুমারনা হায়-মহৈরোইশিংনা ক্লাস মনুংদা মহৈ তম্বতা নত্তনা অতোপ্পা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-অতোপ্পা জিলাশিংনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা শরুক য়াবগী চাংদমবদা জিলা অসিনা নেমা লৈবনা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা শান্ন খোৎনবা হেন্না পুকিং চংনবসু ফোংদোকখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-২১ শুবা চহি চাগী দরকার ওইবশিং

ফংননবা লৈবাক অসিগী এদুকেসন সিষ্টেম মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎনবা সরকারনা কন্না হোৎনরি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোকপা য়ুগম মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা মহৈরোই খুদিংমক্তা মালেম থাক্কী লৌশিং গ্যানশিং ফংহন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎলি। লৈবাক অসিগী তুংগী লাইবক ঐখোয়গী নহারোলশিংগী খুৎতা লৈ। মরম অদুনা মখোয়বু তুংগী অচংবা য়ুন্বী অমা ওইননবা শেমগৎপা হায়বসি তৌফম থোকপা তঙাইফদবা থৌদাং অমনি।

**মীফমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্কুনা পাহলগাম তেরর এট্টেক্কী মতুংদা মখা তানা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপা ৱা খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দোবাল, চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ-অনিল চৌহান অমসুং লান্মী, নেভি অমসং ইয়ারফোর্সকী মকোকশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা করি করি খন্নখিবগে হায়বগী চপ চাবা পাউ ফংবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা, আর.এস.এসকী মকোক-মোহোন ভগৱতকা প্রধান মন্ত্রিগসু ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা উন্নখি হায়রি।

**জষ্টিসঃ** সুপ্রিম কোর্টকী জজ-জষ্টিস-ভুষন রামকৃষ্ণা গভাইনা ভারতকী মথংগী চীফ জষ্টিস ওইরগনি।

কেন্দ্রগী লো এন্দ জষ্টিস মন্ত্রি-আরবিন রাম মেঘাৱালনা হায়-রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা জষ্টিস গভাইবু মথংগী চীফ জষ্টিস ওইনবা খল্লে। মহাকা ফম অসি মথং থাগী ১৪ দগী পুবা হৌরগনি। জষ্টিস গভাইনা সুপ্রিম কোর্টকী ৫২ শুবা চীফ জষ্টিস ওইরগনি। হৌজিক চীফ জষ্টিস ওইরিবা সঞ্জিব খানাগী থবক

পায়বগী মতম মথং থাগী ১৩ দা লোয়রগনি।

**লেবরঃ** লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গা রেপিদোগা ন্যু দিল্লিদা এম.ও.য়ু. অমা সহি তৌনখ্রে।

পোরটেল অসিগী খুৎথাংদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা থবক পীবা হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি। লাক্লিবা চহি অমা অনি অসিদা মীওই লাখ ৫০ হেনবদা মরোমদোম হিংবা ঙমজনবা লন্বী পীনবা পোরটেল অসিনা খুদোংচাবা পীরগনি।

লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা হায়-লৈবাক অসিদা মীওই কোতি অনিরোম থবক ফংদনা লৈরম্বা অদু পোরটেল অসি লাকপদগীদি থবক ফংদবগী চাং খরমখৈদি হন্থহল্লগনি। পোরটেল অসিগী খুৎথাংদা থবক লাখ মঙারোমদি নুপীশিংগীদমক্তা খাক্তুনা থমগনি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কুমজা ২০২৪ দা লেন্দনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা মনিপুর মীয়ামগীদমক সেন্টরনা ক্রোর ১৫৩ লাখ ৩৬ কী শেনফম কায়থোকখিবা, এম.এল.এ. ২১ না পি.এমদা চেরোল পীশিনবা অমসুং মে অহুমদা মীয়ামনা শিন্থা লেপ্পীদুনা মীফমদা শরুক য়াবীনবা কোকোমিনা হায়খিবগী পাউ ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

মনিপুরদা লেন্দ য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখিবশিংগী অহেনবা তেংবাং লুপা ক্রোর ১৫৩ পীননবা হায় লেবেল কমিতিনা অয়াবা পীখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, মনিপুর মেল অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোপুলর গভরমেন্ট লৈহন্নবা এম.এল.এ. ২১ না পি.এম, ঐচ.এমদা চেরোল পীশিনখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা-এম.এল.এ. ২১ না খুৎয়েক পীদুনা মোদি অমসুং অমিত সাহদা গভরমেন্ট শেম্গী থবক পায়খৎপীনবা চেরোল পীশিনখ্রে হায়না পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনশিংগী রেঙ্কিংদা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন য়াওদ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

অসামগী দিমাদা পুলিসকা খুৎ থোকবদা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী মীওই অহুম শিখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ-গানফিয়ু মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ঙাইহাক লৈতনা দে ওফ বার্থ শেমদোক শাদোক্তনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাহদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা মনিপুর সেন্ত্রেল জেলদা চৎতুনা য়েংশিনখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্সিটিব ওইবা মফমশিংদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিংগী মথক্তা ভেরিফিকেসন দ্রাইব চথবা হৌখ্রে হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মীয়াম হুপা শরুক য়াদুনা অপুনবা ৱারেপ লৌমীন্নসি, ইন্দিয়া লৈঙাকা ময়াইদা লেপ্পা য়ারোই, অশেংবদু মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কৈথেলশিংদা লিটর মখায়গী প্লাষ্টিক বোটলশিং পাক শন্না হুন্দোরকপা হেনগৎলক্লি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। ভারতনা ফ্রেন্স রাফেল জেট ২৬, লুপা কোতি লিশিং ৬৩ দা লৈগদৌরি হায়না তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।